# বিকি সগোলশেমনা চহী ১০, রাহুল পামৈনা চহী ১২ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ
মণিপুর টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লব টেনিস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ১৪ শুবা গোভর্ণরস ট্রোফি জুনিয়র টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ হয়েং লোইশিল্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা বিকি সগোলশেম্না নুপাগী চহী ১০ মখাগী অদুগা রাহুল পামৈনা নুপাগী চহী ১২ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১০ মখাগী ফাইনেলদা বিকি সগোলশেমনা অশ্বরজিৎ সেঞ্জম সেট ৪-০, ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা বিকি সগোলশেম সগোলবন্দ খন্নাম বজারদগী সগোলশেম বোবি অমসুং বিনাকুমারিগী মচানুপানি। চহী ১০ শুরবা বিকি সগোলশেম হৌজিক হৌজিক সিসু নিষ্ঠা নিকেটন্দা ক্লাস ফাইভ তম্লিবা মহৈরোইনি। হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিনা মহাক্কী ৱিন্নর ওইবা অহানবা ওইরি।

ইম্ফালদা কুমজা ২০১২ তা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট অন্দর তেন টেলেন্ট সেরিজদা বিকি সগোলশেম সেমি ফাইনেল ফাওবা চংবা ঙমখি। হৌজিক হৌজিক মহাক আই দি টি এদা তুলে থোংবমগী মখাদা শান্নরি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১২ মখাগী ফাইনেলদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাহুল পামৈনা আইটাগী ৩৭২ রেঙ্কিংদা লৈরিবা বুশন হাওবমবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা অমুক হন্না ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। রাহুল পামৈ হৌজিক হৌজিক সেন্ট এন্থোনি হায়স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোইনি। চহীসিগী জানুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা আইটা টেলেন্ট সেরিজদা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা রাহুল পামৈ চহী ১২ মখাগী ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা রন্নর্স-অপ তাখ্রবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিত্তা চহী ১৪ মখাগী ফাইনেল এন দেরেক অমসুং লুচিং অনীনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

## মৈরাবনা অন্দর ১৫ গী বোইস দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ
ন্যু দেল্লিগী ট্যাগারাস ষ্টেদিয়মদা ঙসি লোয়শিনখিবা পি এন বি মেট লাইফ চাজি মেমোরিএল ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৫ দা মণিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অন্দর ১৫ বোইস দবলসতা ৱিন্নর ওইখ্রে। অদুগা অন্দর ১৫ বোইস সিঙ্গলসতনা ৩ শুবা পোজিশন তাখ্রে।

তুংগী অশা চাউনা লৈরিবা ইন্টরনেশনেল প্লেয়র মৈরাবা লুৱাংনা অন্দর ১৫ বোইজ দবলদা মহাক্কী জুরা ওইখিবা বিহারগী অকাস থাকুরনা অরুনাচলগী টাকুম লা অমসুং য়াস রাইকৱারকী জুরাবু ২১-১৮, ২২-২০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

অন্দর ১৫ বোইজ সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা মৈরাবা লুৱাং উত্তর প্রদেশকী অভিনাস সিংহগী মখুত্তা ১০-২১, ২১-১০, ২১-১৫ দা মায়থিহৌদুনা ৩ শুবা পোজিশন তাখি। অমরোমদা বিদ্যাসাগর সলাম্না চহী ১৩ মখাগী বোইস সিঙ্গলসতা রন্নর্স-অপ তাখ্রে। মহাক্না ফাইনেলদা দেল্লিগী বিকাস য়াদবকী মখুত্তা ২১-১৫, ২১-১৩ দা মায়থিহৌখি।

## এস ৱাই দি এ ট্রোফি

ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ
এস ৱাই দি এনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই পি দব্লিয়ু এ সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেনখুন অমসুং টি আর এফ টি টিম বি অথোকপম গোল চন্নখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দব্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম্না এস ৱাই দি এ টিম বি অথোকপম গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ অনী শান্নগনি।

HL-B/2409/19/5-18/6

# ৫শুবা এ এফ সি ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জ মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু



ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ
মশা মউ ফবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা অপুনবা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সি) ইম্ফালনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জগী ৫ শুবা এদিশন চহীসিগী ওগষ্ট ২ দগী হৌরগনি হায়না অপুনবা ফিটনেস সেন্তরগী মেনেজিং দাইরেক্টর য়ুম্নাম হেমলেটনা ফোঙদোকখ্রে।

নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা এ এফ সিদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা য়ুম্নাম হেমলেটনা মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৫ শুবা ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জ অসি হান্না পাঙথোকখিবা অদুদগী খরা হোংদোক হোংজিন তৌবগা লোয়ননা হান্না অহানবা পোজিশন্দা পীরক্সা লুপা লিশিং ৭৫ অদু লুপা লাক্ষ ১ দা হেনগৎলে। লোয়ননা অনীশুবা পোজিশন্দসু লুপা লিশিং ৫০, অহুমশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ৩০, মরিশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ১০ অদুগা মঙাশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ৫ গী শেলগী মনা পীরগনি।

নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপ অনী থোক্ক। পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জ অসিগী ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। অদুগা চহী ৪০ মথক্তা লৈবা নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র সিটিজেন্দসু লুপা লিশিং ১০/১০ গী শেলগী মনা পীগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা হয়েংদগী এ এফ সিগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩০ ফাওবনি। শরুক য়াগদবশিংগী স্ক্রিনিংনা ওগষ্ট ২ গী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা এ এফ সি নাগামপালদা পাঙথোক্লগনি। ফাইনেল স্ক্রিনিংনা নবেম্বর ১ দা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা মেগা ইভেন্টনা নবেম্বর ৮ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এফ দি সিদা পাঙথোক্লগনি। হন্দক্কী অসিদদি নুপা অমসুং নুপীগী টোপ তেন ফাইনেলিষ্ট মেগা ইভেন্টকীদমক মাংজৌননা নবেম্বর ৫ দা পাউ চেশিংদা লাউথোক্লগনি হায়না য়ুম্নাম হেমলেটনা মখা তাখি।

HL-B/20/03-20/05 (ALT)

# আই এস এল ওক্সনদা থোইনা বেজ প্রাইসতা লাক্ষ ৩৯ ওইরি

ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ
বেঙ্গালুরু এফ সিগী য়াম্না মরু ওইবা সেন্ত্রেল মিদফিল্ডর অমা ওইরিবা মণিপুরী মচা খাঙেম্বম থোইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ফুটবোলগী অনীশুবা এদিশনগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্সনগী বেজ প্রাইসতা লুপা লাক্ষ ৩৯ ওইরি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকীদমক হৌজিক হৌজিক রুটিন মেদিকেল টেষ্ট তৌখ্রে। খাঙেম্বম থোই মণিপুরী প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর অমা ওইবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

ইন্টরনেশনেল এজেন্সি অমা ওইরিবা লিবেরো স্পোর্টসকী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন সুপর লীগকী অনীশুবা এদিশন অসিগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্সনগীদমক মণিপুরী মচা থোই অহানবা ওইনা খল্লকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ওক্সনগীদমক খ্বাইদগী পাম্নবা শান্নরোই তরা খনগৎপদা খাঙেম্বম থোই য়াওরে। থোইনা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা খ্বাইদগী হন্থবা ক্লবতগী হৌরগা লাকপনা আই লীগকী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি ফাওবা য়ৌরকখি। মদুদগী আই এস এলগী টোপ তেন প্লেয়রগী মনুং চনবা ঙমখিবনি।

# টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুন ২৭ ঃ মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএ-শনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশননা শিন্দুনা থৌবাল কোলেজ লম্বীদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ৱুমেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল হয়েং থৌবালগী এন অনা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী আই মোনালিশানা শান্নরগনি।

কেদেট বোইস সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী সামসুং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লুদি অনীনা শান্নগনি। জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী রোহিট অমসুং বিয়াস অনীনা শান্নরগনি।











HL-P/5322/4-5 to 3/7




HL-B/2315/1-31May




HL-B/2577/24/6-23/7




HL-B/2576/24-6/22/7





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com